থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# অনীশুবা কোভিদ ঈথক, ঙন্নরোইদ্রা লাকশিনবা?

‘ৱাটসএপ’ কী খূত্থাংদা নোংমগী মনুংদা ফংলিবা কান্নবা অমসুং কান্নদবা পাউ, লিশীংমক য়ৌদ্রবসু মনাক নক্কদি লৈরমগনি। ফোন মেমোরি ষ্টোরেজ কেপাসিতি য়ামদবা (জি বি তরাখক ওইবা) না মূত্থৎহৌদ্রবদি হেক্তা ফুল ওইখিবগী প্রোব্লেম অমা হেক হেক মায়োক্নে। নহান নোংমদি হেক য়েংবদা শ্বাই লাউবা পিকচর - মেসেজ অমা মরুপ অমনা সেয়্যর তৌরকই। খুদোম্বীদু ইমিৎসিদা থিল্লগা হায়রকপনি - ‘হন্দক্কী অনৌবা কোরোনাসিদি নঙনা থোকহনবনি, চিনাদা তাইনগনু’।

পাউজেলদু য়াম্না ৱাহম্থোক লৈ। থম্মোয়দা তিং পাল্লি। ৱাখল খন্থহল্লি। মমাঙ’ চহী লোইশিল্লকপদা কন্না থানখিবা পাউজেল অমনি - ‘নোংমৈ মরূ অমা ফাওবা কাপ্তুনা, মালেমসিদা চিনানা খুদুম চনখরে’। ’সিখক্তা নত্তে, চিনাবু মীনুংশি খঙদবা মীফত্তা ওইনা উনবা অতোপ্পা পাউজেল কয়া অমসুনি - ভাইরস অসি চিনাগী লেবোরেটরি অমদা থওইনা শুংলগা, অতৈ লৈবাকশিংদা থাদোরকপনি পাক্তক্লনা মীশি-মীনা থোকহল্লগা মখোয়না মশা-মউ ফনা, তিক-তিক লাউনা লৈননবা, শেল-থুমগী ফীভম ফগৎনবা শিনবা অখন্নবা থৌশিল অমনি। ইন্দিয়াদসু, পাউ অসি কয়ামুক সিরিয়স ওইনা লৌনখ্রবগে হায়ববু, নাতোন নম্বা - চাইনিজ মানবা-অৱাং নোংপোক্কী মীশিংবু তাথীনা তৌবা, মমায়দা তিন শিৎচিনবা, ফূবা-চৈবগী থৌদোক ফাওবা থোকখ্রিবনি। কোলকটাদা থবক তৌদুনা লৈবী নর্স লিশীং কয়া লৈবা ঙমদদুনা ময়ূমদা চেন্নরকখিবগী থৌদোক ঙসিসু নীংশিংবীরমখিগনি।

হৌজিক, লাইচৎ অসিগী অনীশুবা ঈথক হৌরক্লে। মমাঙ চহীদা হৌরকখিবা অহানবা ঈথক অদুদগী হেন্না তমথীবা শক্লোন অমা লৌরক্কদবগী মমি উরক্লে। মহারাষ্ট্র, য়ু পি, দেল্লী, গুজরাট মিপাইনীংঙাই ওইবা থাক্তা অনাবা মশীং হেনগৎলক্লে। অহিংদা কর্ফিয়ু থম্লম্বদগী বোম্বে সহর’দা চয়োল অনীগী মিনি লোকদাউন তৌখরে, দেল্লী’দসু এপ্রিল ২৬ ফাওবা লেপ্তুবা কর্ফিয়ু থমজিনখ্রে। নেসনল লোকদাউন লাউথোক্লবগী থৌনাদুদি থৌনা-ফবা-মোদি’দা লৈতরে। কাংশি খিঙলগা, মৈ মূত্থৎলগা কোরোনা-কন্ট্রোল তৌগনি হায়বা অঙাওবা ৱাখলদুদি থাদোকখ্র’মাল্লে। মিদল-ক্লাস’তা লৈজরম্বা ইন্দিয়াগী ইমুং মিল্লিয়ন হুম্ফুমঙা অনৌবা ‘লায়রবা-ইমুং’ ওন্থোকখি হায়বসি মহাক্কী গভর্ণমেন্ট’সিমক্কী রিপোর্ট’না হায়বনি। হন্দক’মুক লোকদাউন লাউথোক্লবদি ইন্দিয়া পূম্বগী মীয়াম লোইনমক (ইনাকখুনবা খুজোক অমদু য়াওদনা) লায়র’কোমদা ঈন্থখিবা য়াই হায়বগী অকিবদু মঙোন্দসু পোল্লক্লম্বা য়াই। মদুনা মহাক্কী ভোৎ’তা এটেক তৌরকপা য়াই। পুথোক্লিবা টিকা (ভেক্সিন) অসিনা কান্নবা অমত্তা পীদরে হায়বসিদি মীৎমাঙসিদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিনা চেনবা য়াদ্রে’ খুদমনি। ভেক্সিন পুথোক্লে তাবদা, ইন্দিয়া খক্তদা নত্তে মালেম পূম্বা নুংঙাইবনা মথুম-মরাং হৌখিবনি - মীয়াম্না খন্নখিবদুগী চাং য়ৌনদি মীশি-মীনা থোক্লরোই, কোভিদ-১৯ লায়না কন্ট্রোল তৌরনি।

অদুবু, কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ, লাইচৎসিগী হৌফম ওইখিবা ‘চিনা’ খক নত্তনা হান্নগীদুদই হেন্না মিপাইনীংঙাই ওইরে-ঙাঙনবা হৌরকখি। অতৈগী ৱা তোকখিসি, ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোক্লিবা কোভিদ-১৯-ন্যু-ষ্ট্রেন-ৱেভ লাক্লবা মতুংগী মীশি-মীনাগী পাউ-তশেংনা মীপাইনীংঙাইনি। সোসল মীদিয়াগী খূত্থাংদা ফংবা পাউমক্তনি। অতৈ মীদিয়া হাওজশিংদি লৈঙাক্লা কন্ট্রোল তৌশিনখিদুনা অশেংবা পাউ ফোঙহন্দ্রে হায়। তোকঙানি খন্দুনা মৱা লৌরোইসিরা - হিন্দুশিংগী পোৎলোইফম (ত্রেদিসনেল অমদি ইলেক্ট্রিক্ট ক্রিমেটোরিয়ম) শিংদা নোংমদা পোৎলোইরিবা অশিবা হকচাং মশীং, মীদিয়াদা লোৎশিনবা য়ানবা ক্রিমেটোরিয়মগী অকোয়বদু ফক্লাং খাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমসু কন্না শন্দোরক্লি।

য়ুরোপলোমদগী শন্দোরকপা পাউ অমনি - সাইন্টিষ্টশিংনা ঙসি ফাওবদা পুথোরক্লিবা কোভিদ-ভেক্সিন ময়ামসি মুন্না থিজিল্লুরবদি চাংয়েংগী থাক অদুদা লৈরিবনি, ত্রায়েলনি। টিকা অসি কাপ্লগা হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টম কনখৎহন্দুনা কোরোনা চঙলোই হায়বগী গরেন্টি লৈতে; কোরোনানা শিহল্লরোই হায়বসু ঙমদে; ভেক্সিন কাপখ্রবা কনাগুম্বনা ভাইরস’সি অতোপ্পদা শন্দোকপগী থবক্তু তৌররোই হায়বসু লৈতে; মাস্ক উপত্রবসু য়ারনি, সোসল দিষ্টেন্সিং তৌবই মথৌ তাদ্রে হায়বসু লৈতে; লম-তু চৎপদা ফ্রী ওইরনি হায়বসু লৈতে; ভেক্সিন কাপ্লবদি মীয়াম তিনবা মফম, সোপ্পিং মোলগুম্বদা চঙবা য়ারে হায়বসু লৈতে। টিকা কাপখ্রবা মতুংদা কনাগুম্বা অমদা অমাঙ-অতা-খুদোংথীবা থোক্লবসু, মদুদা হীদাক শাবা কম্পনিদুনা নৎত্রগা গভর্ণমেন্ট’না কম্পেন্সেসন পীবগী ৱাফম লৈতে। ঐখোয়দি ইচম চম্বা উচিগুম্বা হীদাক-চাং-য়েংফম-‘গীনি পিগ’ অমনি।

অদুগা, য়েস, চিনাদসু প্রজাশিংদা তোঙান তোঙানবা ভেক্সিন মখল মঙা শাদুনা কাপ্পী। নহা-অহল-অঙাং খাক্তনা কাপ্পনবা লৈঙাক ওথোরিটি’না প্রজাশিংদা পাউজেল্লি। মহীকসিদগী শোয়দনা ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন’নি হায়দে, কাপথোকপগী ফংবা য়াবা কান্নবশিংদুদি খঙহল্লি, স্কুল চৎপা অঙাং/মহৈরোয়শিংগীদমক্তি তঙাইফদবা ওইহল্লি। চহী ৬৫গী মথক্কী অহলশিংনা ভেক্সিন অসি কাপ্লবদি অহলদুদা খুদোল ওইনা য়েরুম কিলো অনী-মখায় পীগনি। জুন/জুলাই ফাওবই মনুংদা চিনাদা লৈরিবা মীকোক খুদিংমক্তা ভেক্সিন অসি কাপথোকপা ঙল্লগনি হায়বসি, চাইনিজ ওথোরিটিগী থাজবনি। অদুবু, মখোয়না চাউথোক্লা হায় - চাইনিজশিংনা লাইচৎ অসি লায়না লাকশিনবা ঙমখিবা অমদি অনীশুবা কোভিদ-ঈথক হৌহনখিদবা ঙমখিবসিগী মরু ওইবা মরমদি - চাইনিজ খুদিংমক্লা অশৌবা ঈশিং মনিলবু নিংশা শ্বর ওইনা নুংতিগী হোনজিনবা অমদি অশাবা চা তোয়না থকপা ঙমখিবদুননি।

লৌশিং পুক্কে

# চাং নাইনা হকচাং শাজেল

## তৌবনা কেন্সর মখল খরগী রিস্ক হন্থহল্লি



অঙাং ওইহন্দনবা বর্থ কন্ট্রোল পিল চাবনসু ব্রেষ্ট কেন্সর অসি ওইহল্লকই হায়না থাজনবা য়াওই। হায়রিবা গুলিশিং অসিদা ইষ্ট্রোজেন অমদি প্রোগ্রেষ্টরোন কৌবা হোর্মোনশিং চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না ব্রেষ্ট কেন্সর ওইহল্লকপা য়াই হায়না থাজনবনি। হৌজিক্তি হায়রিবা হোর্মোনশিং অসিনা ব্রেষ্ট কেন্সর ওইহল্লকপা নৎতে হায়বা খঙলে।

ইন্দিয়াদা ব্রেষ্ট কেন্সরগী চাং ৱাংখৎলক্লে হায়বা হন্দক্তা নৌনা থিজিনবদগী খঙলে। য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱাশিংটনগী ইন্সটিট্যুট ফোর হেল্থ মেট্রিক্স এন্দ ইভালুয়েশন (আই এচ এম ঈ) না মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমদা সর্ভাইকল কেন্সরদগী ব্রেষ্ট কেন্সরনা মশীং য়াম্বা হেনগৎলক্লে হায়বা খঙলকখিবনি।

ন্যু দেল্লিগী ইন্দ্রপ্রসতা এপোলো হোস্পিটালদা দিপার্টমেন্ট ওফ সর্জিকেল ওনকোলোজিগী সিনিয়র কন্সলটেন্ট ব্রেষ্ট সর্জন ডা. এস সাহনিনা হায়খি, চাকচা-য়ুথক শোয়বা, পূক্নিং ৱাখল ৱাবা অমসুং পুন্সি মহিং শোয়বনা মরম ওইরদুনা ইন্দিয়াদা ব্রেষ্ট কেন্সরগী চাং ৱাংখৎলকপনি।

মীপুম খুদিংমক মথৌ চিন্নর-কপদগী মপান্দা য়োনবা ফাষ্ট ফুদ অমদি প্রোসেস ফুদ চাবগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়নননা ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা অমসুং ৱাখল ৱাবা হেনগৎলক্লে। মনা মশিংদা য়াওবা হার অমদি তীলহাৎ হীদাক্রসু হকশেলদা চাউনা শীংনরক্লি। চাকচা-য়ুথক অমদি পুন্সি মহিং শোয়বদগী অমুক্কা হেন্না খুদোংথিবা মায়োক্লহল্লক্লি।

ঙসিগী মীরোলনা হকচাং লেঙ ওৎপগী থবক তৌবা চাং য়াম্না নেম্না লৈরে। মতম অমগী ফৌ শুবা অমদি চক্রি তকপগী থৌওং রাইস মিলনা মহুৎ শিনখ্রে। ইংখোল মতেক অমত্তং ওইরবসু কোইদুনা মনা মশিং থানবগী মফম লৈশিল্লক্ত্রে। লৈকায়গী দুকান্দা পোৎ মচা অমা লৈবগীসু গাড়ী তোংলগা চৎনরে। মসিদসু নৎতনা ইমুং অমত্তদা তোঙান তোঙানবা কাদা লৈরিবা মীওই মশেল কৌথোক কৌশিন তৌবদা মোবাইল ফোনগী মতেং লৌনরক্লে।

পূন্নমক অসিনা মরম ওইদুনা হকচাংগী অরূম্বা অমদি অনোয়বা হেনগৎলকপগা লোয়নননা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না কয়া ওইহল্লকপনি। অঙাংশিংসু অদুমঙায়রে ঙাইহাক্তং চেন চোংদুনা শান্নজনবা শুমাং মচেৎ অমফাওবা লৈনরক্তুবনিনা মোবাইল ফোন, কম্প্যুটর গেম লোমদা মায় ওনশিনখ্রে।

খ্বাইদগী কিনিংঙাই ওইরবা লায়নাশিংগী মনুং চল্লবা ব্রেষ্ট কেন্সরগী মতাংদা মীয়াম্না শেরান্নবা মওংদা থাজনবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি। চহী য়ামশিল্লক্লবা নুপীশিংখক্তদা ব্রেষ্ট কেন্সর নাবনি হায়বা মীওই অয়াম্বনা থাজনৈ। অদুবু লায়না অসি চহী মতাং অমদা হেক্তা নাবা য়াই।

ব্রেষ্ট অমদি শেগ্রাক্তা পোমখৎ-লকপা খুদিংমক কেন্সর নত্তে। তৌবগীবুদি ডোক্তরগা তান্নদুনা মরী লৈনবা টেষ্ট তৌথোকপনা খ্বাইদগী চুম্বা খোঙথাংনি। অদুবু মফম অমদা পোমখৎলক্লে হায়দুনা হেক্তমক নুংশা থীবা তৌরোইদবনি। কনাগুম্বনা ব্রেষ্ট কেন্সরবু ইমুং মনুংগী ঈ মরীদগী লৌনৈ হায়না থাজনবা য়াওই। ৱাফম অসি অরানবনি হায়বা কূপ্পা থিজিনবদগী খঙলে। ইমুং অমগী মীওই অমা লায়না অসি নাবা য়াওখ্রবসু ইমুং অদুগী মীপুম খুদিংমক রিস্ক ৱাংবা নৎতে।

অমরোমদা মীওই অয়াম্বনা লায়না অসিগী রিস্ক হন্থহন্নবা পাম্বৈ লৈতে হায়না থাজরি। অদুবু তশেংবদি মীপুম খুদিংমক হকচাং লেঙ ওৎপগী থবক তৌবগা লোয়নননা য়ু অমদি মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোক্তুনা মনা মশিং (উহৈ ৱাহৈ য়াওনা) মরাং কায়না চাবা মতমদা লায়না অসিগী রিস্ক হন্থরকই।

চহী খরগী মমাঙদা ব্রা শীজিন্নবনা ব্রেষ্ট কেন্সর ওইহল্লকই হায়না থাজনরম্মী। লিমকোটিক ফ্লোদা অপনবা পীবদগী ব্রা শীজিন্নবনা ব্রেষ্ট কেন্সর ওইহল্লকই হায়না থাজনখিবনি। অদুবু ৱাফম অসি অরানবনি হায়বা খঙলে। মীপুম খুদিংমক ব্রেষ্ট কেন্সর নারকপা য়াই। চহী ৫০ হেল্লবা নুপীশিংদনা অমুক্কা হেন্না রিস্ক মায়োক্নে। অদুবু ইশা ইশানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎচরবদি রিস্ক অসি ফনা য়াম্না হন্থহনবা ঙম্মী।

হীরম অসিগা মরী লৈনবা চেকশিন থৌরাং খরদং খঙমিন্নসি ঃ-

- চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি ব্রেষ্ট অমদি কোলোন কেন্সর য়াওনা কেন্সর মখল খরগী রিস্ক হন্থহনবা ঙম্মী।
- হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি প্রোষ্টেট, পেনত্রিজ, য়ুটেরস, কোলোন, ওভারি অমসুং ব্রেষ্ট কেন্সর নারকপা য়াবা মরম্না মীপুম খুদিংমক হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎহল্লোইদবনি।
- অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবগী মহুৎতা হকচাং লেঙ ওৎপা থবক তৌগদবনি।
- মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাগদবনি।
- হীদাক মনাগী পোৎলম অমত্তা শীজিন্নরোইদবনি।
- অলট্রা ভাইওলেট রেনা উনশাগী কেন্সর (স্কিন কেন্সর) ওইহল্লকপা য়াবা মরম্না নুংশাদা কুইনা খক লৈরোইদবনি।
- চীন-লৈ, খনাউ, ইপোফেগস অমদি লেরিঙ্কসতা কেন্সর ওইহল্লকপা য়াবা মরম্না য়ারিবমখৈ য়ু থক্লোইদবনি।

# কৈরাও ৱাংখেম মখা লৈকায়দা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে




ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৮গী জুন থাদা লুপা ক্রোর ২৭ হেনবগী দ্রগ ফাবদা চেন্নবা এ দি সী চান্দেলগী চ্যেরমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌবু মরাল লৈতে হায়দুনা থাদোকখিবা অমসুং ফৌদেল দ্রগ কেস হায়রগা খঙনবা লুপা ক্রোর ৪০০ হেনবগী দ্রগ ফাবদা চেন্নবা মীওইশিং থাদোকখিবদা লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিনবা অদুগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি নুংথিল ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা কৈরাও ৱাংখেম মখা লৈকায়দা ৱাংখেম নোংমাইলৈমা অপূনবা মৈরা পায়বী অমসুং কাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অনী পূন্না খূৎশদুনা ৱাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱাকৎ মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল গীৎচন্দ্র মঙাংনা হায়খি, হৌখিবা থা অহুম হেনবগী মতম অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিং চৈরাক পীয়ু, লুখোসৈ জেগী কেস হায়র কোর্টতা আপিল চৎলু অমসুং ফৌদেল দ্রগ কেস মণিপুর লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈবা য়ানীংদে হায়না য়াম্না দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাকখি। অদুবু লাইবক থীবদি মীয়ামগী খোল্লাউ অসি তাবীবগী মহুত্তা ৱাকৎ মীফম থুগাইবা, কাদাগী থৌমীশিংদা কিহনবনচিংবা কয়া চথরকপা অসি লাইবক থীবনি। মণিপুর লৈঙাক্ল া মীওই অমা কন্নবা হোৎনবদা মণিপুরগী মীয়াম দ্রগতা লাইচুনবা হোৎনবা থৌওংশিং চথরোইদবনি হায়খি।

ৱাকৎ মীফম অদু লোইশিল্লকপদা লুখোসৈ জৌ থাদোকপা য়ানীংদে, দ্রগ লল্লোনবা চৈরাক পীয়ু অমসুং ৱার ওন দ্রগস ফাগি তাহনগনু হায়বা খোল্লাউশিং লাউদুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ফিল্ম এপ্রিসিএসন কোর্স ২০২১ পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচ এন এস) : ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ ফিল্ম ক্রিটিক্স (এফ আই পি আর ঈ এস সী আই) ইন্দিয়া চেপ্টরনা শীন্দুনা ওনলাইন ফিল্ম এপ্রিসিএসন কোর্স ২০২১ চহী অসিগী জুন থাগী অহানবা চয়োলদগী পাঙথোক্কদৌরি হায়না ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট মেঘচন্দ্র কোংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ওনলাইন ফিল্ম এপ্রিসিএসন কোর্স অসি চয়োল ৮ চূপ্পা পাঙথোক্কদবনি। কোর্স অসি ইংলিস লোলদা তাকপী তন্বীগনি। অদুগা ওনলাইন সেসন ১৮ লৈগনি। সেসন অমমদা মিনট ৯০না শাগনি। থাংজ নুমিৎ খুদিংগী নুংথিল পুং ৩ দগী ৪.৩০ ফাওবা অদুগা নোংমাইজিং নুমিৎতনা অয়ূক পুং ১১দগী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ ফাওবা চথগনি। রেজিষ্ট্রেসন ফীনা লুপা ৫০০নি। অদুগা কোর্স ফীদি লৌরোই। সিট মশীংনা ৫০ ওইগনি। অহানবা লাকপদা খুদোংচাবা পীগনি।

টোপিকশিং অমদি ফেকলটি মেম্বরশিংগী লিষ্টসু রেজিষ্টর তৌরবা পার্টিসিপেন্টশিংদা ঈ-মেল থারক্তুনা খঙহল্লক্কনি। কোর্স অসি মপুং ফানা লোইরবা তুংদা শরুক য়াখিবশিংদা সর্টিফিকেটশিংসু পীগনি। তোঙান তোঙানবা ফিল্ম ইন্সটিট্যুটশিং অমদি য়ুনিভর্সিটিশিংদগী শক্লাইরবা প্রোফেসরশিং অমদি ফিল্ম স্কোলরশিংনা কোর্স অসিদা শরুক য়ারকপশিংবু তাকপী তন্বীগনি। কোর্সকী মেটেরিএলশিংসু ফংহনগনি।

কোর্স অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবা পান্দমদি ফিল্ম কলচরগী প্রমোসন অমসুং দিভেলপমেন্ট পুরক্লবগীদমক ফিল্ম এপ্রিসিএসন অমদি ক্রিটিসিজমগী খ্বাইদগী অনৌবা ইনফোর্মেসনশিং ফংহন্দুনা ফিল্মদা থৱায় য়াওজবা মীওইশিংবু শেমগৎপনি। কোর্স অসিগী রেজিষ্ট্রেসনসু হাংদোক্লে। কোর্স অসিদা শরুক য়ানীংবা মণিপুরদগী পার্টিসিপেন্টশিংনা একাদেমিক কাউন্সিলগী মেম্বর মেঘচন্দ্র কোংবমদা mkongbam@gmail.com নৎত্রগা ৱাটসএপ নম্বর 9862821062 দা অইবা থারক্তুনা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

## ক্লিনলিনেস দ্রাইভ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস): চুড়াচান্দপুর সেক্টর অসাম রাইফলসকী মীৎয়েং মখাদা লোক্তাক বট্টালিয়ননা শীন্দুনা অজাদি কা অমরুট মোহসটবকা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী নিংথিচীং এরিয়াদা ক্লিনলিনেস দ্রাইভ অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ক্লিনলিনেস দ্রাইভ অসি মীয়ামদা ক্লিন এন্দ হেলদি এনভাইরোনমেন্ট অমা লৈহনবগী মরু ওইবশিং অদু খঙহনবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি। দ্রাইভ অদুগা মরী লৈননা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মতাংদা তৌগদবশিং, তৌরোইদবশিং, মাস্ক উপ্পা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপনচিংবশিংগী মরু ওইবশিং অদুগী মতাংদা শুগাইবা ৱারোল কয়াসু থমখি হায়রি।

ED/HR/ADD-01/2021

POST VACANCY
We are hiring!

escent diagnostics
NABL accredited laboratory

LAB TECHNICIAN
DMLT/BMLT with minimum 2 years of experience

PHLEBOTOMIST
DMLT / GNM or equivalent with minimum 2 years of experience

RUNNER/ FIELD EXECUTIVE
10th pass or above

SECURITY
10th pass or above (male preferred)

Submit your updated resume

Directly at head office of
Escent Diagnostics Pvt. Ltd.
Nongmeibung Purana Rajbari,
Imphal East, Manipur 795005
OR
Email to
escentmedicare@gmail.com

Escent Diagnostics Pvt. Ltd.
A Promise to Care
Nongmeibung Purana Rajbari, Imphal East, Manipur 795005
Regd. No. MNHCR/NO/090/DC/2012
CIN: U85110MN2009PTC008246
NABL accredited (M-0878)

HL/P/9666/21

# ‘লূপ খরনা অথিংবা থল্লিবা অসি খুদক্তা হন্দোক্কদবনি’

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা মৈতৈশিংগী অরূবা লাইফমলেন অমা ওইরিবা কৌব্রু লাইফমলেনদা চঙবা য়ারোই হায়দুনা লূপ খরনা অথিংবা থল্লিবা অসি খুদক্তা হন্দোক্কদবনি হায়না য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ নোরেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, করিগুম্বা থল্লিবা অথিংবা অসি হন্দোক্তবা তারবদি মতম কয়াদগী নুংশি চান্নরা লৈরক্লবা ফুরূপ মশেলগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা কয়া থোরকপা য়াই। মৈতৈদি ফৱবদি য়াম্না ফবনি। মৈতৈ ইপা ইপুশিংগী পাউরৌদা হায়নবা লৈ অতেবা ষণনা ৱাইবদি শরূ ফংনা ৱাইবনি হায়বদু কাউবীগনু। কৌব্রু লাইফমলেনগীদমক্তা থৱায় ফাওবা থাবা কিনরক্তবা য়াই। মরম অসিনা লূপ খরনা থল্লিবা অথিংবা অসি হন্দোকপীয়ু। কাঙলূপ মশেল নুংশি চান্নবা লৈরক্লবা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমা শাগৎফদা শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

### কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ঐখোয় চেকশিন্নিংঙাই ওইদ্রিব্রা?



ইন্দিয়াদা ঙসিদি কোরোনাগী সেকেন্দ ৱেভনা শাথিনা শোকহল্লবা লৈবাক অমা হায়বদু ওইরে। মণিপুরদসু চয়োল অমগী মনুং অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী মশিং খঙহেন হেনগৎলক্লি। মীশিং য়ামদ্রবা কংলৈপাক অসিদদি নোংম-নোংমগী অসুম পোজিটিভ ওইবগী মশিং হেনগৎলক্লবদি অকিবগী মশক অমা শোয়দনা ওইরক্লগনি। অমরোমদা ইরমদম মণিপুর অসি হীরম খুদিংদা অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা মরম কয়া অমা লৈবনা লৈবাক মীয়াম পূন্নমক ৱাখল তামিন্নবগী মতম অদু হৌজিক ওইরবরা হায়না খল্লি। হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদদি মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরূপ খুদিংমক মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা য়াম্না চেকশিন্নিংঙাই ওইরে। মরুওইনা লৈঙাক্লসু খুদক্তগী চপচাবা ফীরেপ অমা লৌবিয়ু। অৱাবা কয়া য়াওখ্রবসু ঐখোয় খঙমিন্নবা মথৌ তাই। সিভিল ওর্গনাইজেসন কয়ানসু অঙম্বা থাক্তা হোৎনরগা পাকশন্না শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসিদগী লৈত-লায়রবা অৱাবনা মশিং য়াম্লবা কংলৈচাশিংবু লায়চৎ অসিদগী কনবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নহৌসি হায়জরি।

❒ খুন্দ্রাকপম নোবিন, খাঙবোক মাইস্নাম লৈকায়

### কোভিদকী চেকশিন ৱা ইমালোনদা ঙাঙহল্লবাদি হেন্না লৈবাক মীয়ামদা ৱাখল তাবা ঙমগনি খল্লি



ফোন হেক তৌবগা কোভিদ-১৯গী চেকশিন ৱা ঙাঙবা অদুগা চেকশিন ৱা অদু হেক ঙাঙবা লোয়বগা রিং অমুক চৎপগী থৌওং অসিনা অথু-অকাইগী মতমদা ফোন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি। ফোন তৌবদা চেকশিন ৱা ঙাঙহনবগী মহুৎতা কোভিদ-১৯গী চেকশিন ৱা অসি মেসেজদা ওইনা ইরগা থাবিবনা হেন্না ফগনি খল্লি। লোয়নননা চেকশিন ৱা অসি অতোপ্পা লোলশিংদা ঙাঙহনবগী মহুৎতা য়াম্না তেনবা মওংদা রিং চৎপগী মতম অদুদা ইমালোলদা ওইনা ঙাঙহল্লবদি হেন্না লৈবাক মীয়াম্না ভাপ তাবা ঙমগনি হায়না খল্লি। মোবাইল কম্পানিশিংগী খূৎথাংদা লৈবাক মীয়ামদা কোভিদ-১৯গী চেকশিন ৱা য়ৌহন্নবা হোৎনরিবা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। অমরোমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন চারবা এঞ্জাংগী মহাওদা চানিংলক্তবা য়াওবগুম মীয়াম্না য়াম্না মরুওইবা অমা ওইনা অয়ুক-নুংথিল নুমীদাং খায়দনা শীজিন্নরিবা মোবাইল ফোনগী রিঙ্গিংদা কোরোনাগী ভেকশিনগী সেকেন্দ খরগী ওইবা মতম লৌরিবা অসিনা মীয়ামদা কয়া য়াম্না কানহন্নবা ঙম্লবগে হায়বসিসু হংনিংঙাই ওইরি। করিগুম্বা ফোন তৌবদা কোভিদ-১৯গী চেকশিন ৱা অসিনা চাওনা কান্নবা ওইরগদি য়াম্না ফৈ।

❒ প্রেমচন্দ্র লৈতাম, খুরাই কোংপাল নিংথৌবুং লৈকায়

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২০।০৪।২০২১ ইং, য়ুমশাকৈশা;
শজিবুগী ৯ নি পানবা।

মেষ : মীয়াম পুনবগী নুংঙাইবা অমদি মীয়াম্না থাগৎপিবা নুমিৎনি। নাপল তৌবা, হন্থবা লোয়নবা অমদি মহু চাওবনা তাথিবগী নুংঙাইতবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : নকন্থিনা নরল মাঙহঞ্জবা অমদি অনম তানবনা কাইনবদুম নংহনবা লৈগনি-মরুপ লোয়নবদা নোল্লুক্লা চৎলু। লল্লোন ইতিক্তদি কান্নগনি ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিথুন : অশাওবা ফাথবা অমদি থিজিনবা কনবা ওইরদি য়েক্লবা লাকশিনবা অমদি অঙন্বগা মরী ফগৎপা ওইগনি। হকচাং নুংঙাই, মরুপ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কর্কট : নীংবা থুংজবা, মীচং হেনগৎপা অমদি লম চৎপা কান্নবা নুমিৎনি। অদুবু য়েক্লবনা লৈফম খঙহন্দবা অমদি পংবদগী শেল মাঙবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

সিংহ : হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, অনম তানবনা অঙন্বগা মুক্লবা অমদি হোয়া ফবনা চাদিং হেনবা লৈগনি। মীয়ামগী মতেং অমদি মফম ফংবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : মীচং খোম্বা য়াবা, নীংবদুমক ফংজবা অমদি হকচাং নুংঙাইজবা নুমিৎনি। থৌনা হায়বসিনা অরুবা থবক পাংনবগী পাম্বৈনি হায়বদি কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

তুলা : নিংথিনা খন্থরগা অমদি অচুম্বদা য়ুম্ফম ওইরগা পাংবা থবকশিং শোয়দনা মায় পাক্কনি। ৱানোম থৌনোম অমদি চিন কল্লবদি চোপকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাঙগনু তাবতা ওইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃশ্চিক : অশা চাওরুবা মীপাইনিংঙাই ওই অমদি মরুপ ফত্তবা লোয়নবনা লন মাঙনবগী মরম ওই। মীতোপ থাজরদি পাউসু ইনুং নুংঙাইরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- কায়নবা য়াই-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

ধনু : পূক্নিং ফাথৌ-ফিংগনু অমদি অনম তানগনু। নাপল, চরাংনবা অমদি অশাওবনা কান্নবা অমত্তা পুরক্তবা নুমিৎনি। অরিবা থবক্তমক পাংবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ /চিনি অঙাংবা।

মকর : নীংবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নবা ফংগনি অমদি পন্দুনা লৈরুবা শেল/মরুপ ফংজগনি। য়েৎনবদি পাংদে, খাংবা কল্লু-শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : নীংজবা থুংগনি, মায় পাক্কনি অমদি অনৌবা থবক্তা হেন্না খুমাং চাওশিনগনি। য়েৎনবদা মাঙজবা অমদি পাউ নুংঙাইতবা তাবদি ঙসিসু লৈখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : অনম তানবনা নরল মাঙজবা অমদি চরাংনবনা মতম মাঙবগুম থোকপা লৈগনি। অদুবু পাউদি নুংঙাই, মীয়ামগী মতেং ফংই, নক্লবগা মরী ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।